ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

লামায় ৫

মাইনোরিটি বেকৱার্দ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা মোইরাং এ সীগী কোভিদ-১৯গী অৱাবা মায়োক্নরবা অমসুং রামজানগী চাকহেন থা শরুক য়ারিবশিংদা চানবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা

ঙাইহাক লৈতনা ট্রান্সফর তৌবগী ওর্দর খুদক্তা হন্দোকউ
☛ লামায় ২

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মফম তরুক কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রে
☛ লামায় ৩

লম্বোইখোংনাংখোঙদা অমুক হন্না কোভিদ ক্যের সেন্টর হাংদোক্লগনি
☛ লামায় ৪

ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না শেলগী মতেং পাংখ্রে
☛ লামায় ৫

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওইরম্বদগী ফোরেষ্ট অমদি ফিশরিগী জোইন্ট সেক্রেটরি ওইখ্রবী নীতা অরাম্বমনা ফম অসিবু নৌনা পুরগদবা কৃষ্ণকুমারদা হৌনবী মতুংইন্না দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী চার্জ খুৎশিন্নবা

লামায় ৫

Vol. 45, Issue No. 038 | লৈবাকপোকপা, শজিবু ২৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, May 04, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

বরাক থোং পৈথরকপদগী গাড়ী ১৩০ পন্দুনা লৈরে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) :

মণিপুরগী লাইফ লাইন অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা নেসনল হায়ৱে নম্বর-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বীদা লৈরিবা থোংশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা বরাক থোংগী নাকল নাম্মগী য়োৎ তৎখিবদগী পৈথরক্তুনা পোৎ পুবা গাড়ীশিং লানবা য়াদবদগী জিরিবামলোমদগী ইম্ফাল তম্না পোৎচৈ চিংলকপা ট্রক ১৩০ রোম পন্দুনা লৈরি।

বরাক থোংগী য়োৎলি তৎতুনা পৈথরকখিবা অসি মে ১গী নুংথিলদগীনি। অদুম ওইনমক অসাম অমসুং সিলচরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী চান-থক্নবা য়াওনা য়ুম-কৈ শাবগী পোৎলমশিং পুরকপা ট্রকশিং অদুনা থোং অসিগী ফীভম মাঙজৌননা খঙহৌদবদগী থৌজিল্লকখিবদা থোং অসি নাকল নাম্মা পৈথদুনা লৈরম্বদগী লানবা য়াদদুনা লাখোং এরিয়াদা পন্দুনা লৈরকপনি হায়রি।

বরাক থোংগী ফীভম অসি হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিলহল্লক্নবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

হোকর কোবগী মিংদা তেংবাঙ পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) :

মণিপুরগী পাউচেশিং য়েন্থোক্লম্বা খোইস্নাম কোবগী মিংদা মহাক্কী মচানুপা তোকিওনা পিশুম ওইনাম লৈকায়গী ৱাই বি বি জিমগী মায়োক্নবদা ইমুং ১ অমসুং মসিগী মনিংদা লৈবা ইমুং ১গা পুন্না কন্টেনমেন্ট জোনগী মনুংদা লৈরিবা ইমুং অনীদা লুপা লিশিং ১/১গী তেংবাঙ পীখ্রে।

ঙসি মহাক্না শেলগী তেংবাঙশিং অসি পীরদুনা ফোঙদোকখিবদা, মতেং অসি মহাক্না য়াম্না লৈবদগী পীবা নত্তে। কন্টেনমেন্ট জোনগী মনুংদা মসিগী অৱাবা মায়োক্নরিবা ইমুং অনীগী মীওইশিং অনা-অয়েক য়াওরক্লবসু হিদাক-লাংথক লৈবদা মতেং ওইননবা হায়দুনা মহাক্না ফংজরকপা তোলোপতগী পীজবনি। পিশুম ওইনাম লৈকায়গী অহল খরদসু মহাক্কী মায়কৈদগী পেন্সন পীদুনা লাক্লি হায়বগা লোয়ননা চহী খূদিংগী ওইনসু মণিপুরগী হোকর এসোসিএসনদা লুপা লিশিং ৫গী

...মখা লামায় ৩ কলম ১

এসেমব্লী ইলেক্সন পাঙথোকখিবা ষ্টেট ৫গী রিজল্ট লাউথোকখ্রে

নন্দিগ্রাম মীয়ামগী অপাম্বা তরাম্না ওকই, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ঐখোয়না মায় পাক্লে : মমতা

ন্যু দেল্লী, মে ০৩ (এজেন্সী) :

তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট খরগী বাই-ইলেক্সনশিংগা ঈরোয়ননা পাঙথোকখিবা ৱেষ্ট বেঙ্গল, অসাম, তামিল নাদু, পুদুচেরি অমসুং কেরলাগী ষ্টেট এসেমব্লী ইলেক্সনশিংগী ঙরাংদগী হৌখিবা কাউন্টিংগী থবক থৌরম পুন্নমক ঙসি মপুং ফানা লোইশিনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অপূনবা সিট ২৯৪গী মনুংদা সিট ২৯২ মীখল পাঙথোকখিবদা এসেমব্লী সেগমেন্ট ২১৩দা মায় পাকখ্রবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মশাগী চহী ৬৬ শুরক্লবী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা মহাক মশাগী নন্দিগ্রাম এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদা মায়থীরবসু এ সী অসিগী মীয়াম্না পীরকখিবা মখোয়গী অপাম্বা অদু মহাক্না তরাম্না ওকই হায়বগা লোয়ননা হৌজিক্তি ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মহাক্কী ওল ইন্দিয়া তৃণামুল কোংগ্রেস (এ আই টি সী)না মায় পাক্লে হায়দুনা লাউথোকখ্রে।

অহুন্নক শুরকপা টর্মগী ওইনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লেন্দস্লাইদ ভিক্টোরি ফংবা ঙমখ্রবী মমতা বেনর্জিনা মীখলগী মপুং ফাবা রিজল্ট লাক্লবা মতুংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা ময়াম্না নন্দিগ্রাম এ সীগীদমক্তা ৱাবীগনু। মহাক্কী মায়কৈদগী হায়রিবা এ সী অসিগীদমক্তা থেংনখিবা লান্থেংশিং অদু মহাক্কীদি অচৌবা ঈহৌ অমনি। নন্দিগ্রামগী মীয়াম্না পীরকপা মখোয়গী অপাম-পামদশিং অদু মহাক্না তরাম্না ওকই। মসিদা মহাক্কী মায়কৈদগী নুংঙাইতবা লৈতে হায়রদুনা হৌজিক্তি ঐখোয়না মায় পাক্লে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

লোয়ননা মহাক্কী এ সীদা চথখিবা কাউন্টিংগী থবক্তা চুমদবা/অরানবা থৌওংশিং য়াওখ্রে হায়বসি খঙলে হায়রদুনা মসিগীদমক মহাক্না কোর্টতা শোয়দনা চৎকনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, নন্দিগ্রাম এ সীগী কাউন্টিং চথরকপগা মরী লৈননা মহাক্কী পার্টিগী মায়কৈদগী অমুক হন্না ভোট মশীং থিনবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌখিবা ৱাকৎ অমা কম্মিসন অসিনা রিজেক্ট তৌখিবনি। অদুগা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা মীরেপ ওইখিবা এ সী অসিগী কাউন্টিংগী থবক লেপ্পুনা চথদুনা মতম অমদা মহাক্কী নক্লবা মীওই ওইরম্বদগী ইলেক্সন মমাঙদা খক্তা বি জে পিদা চোংশিন্দুনা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইরক্তুনা মহাক্না লাম্বা তৌনখিবা সুভেন্দু অধিকারিনা ভোট খরখক্তমক হেল্লগা মায় পাক্লে হায়দুনা ঈ সী আইনা লাউথোকখিবনি।

বিহার অমসুং মহারাষ্ট্রগী ওইনা ষ্টেট লেজিসলেচরশিংগী তোঙান তোঙানবা হাউস অনী লৈবনা মরম ওইরদুনা চহী ৩০ হেন্না ইলেক্সন অমুক্তা থেংনখিদবা নিতিস কুমারনা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইখি। হায়রিবা থৌওং অসি হাউস অনী লৈরিবা মহারাষ্ট্রদসু থোক্তুনা উধব থাকরেনা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইখি। অদুম ওইনমক ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ওইনা বিহার অমসুং মহারাষ্ট্রগুম্না লেজিসলেচরশিংগী তোঙান তোঙানবা হাউস

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

এম এল এ জয়ন্তকুমারগী মথক্তা তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসনগী হিয়রিং চথরগনি

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) :

মার্চ ১৯, ২০২২ ফাওবগী মপুন্সি লৈরিবা চৎলিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী অসিগী মীখল মার্চ ৪, ২০১৭দা পাঙথোকখিবগী রিজল্ট লাউথোরকপগা পন্থদনা ১২-কৈশামথোং এ সীগী রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখিবা লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমারগী মথক্তা মীখল অদুদা মহাক্না লাম্বা তৌনখিবা লৈখিদ্রবা কোংগ্রেস মীরেপ লাইশোম ইবোমচানা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরম্বা ইলেক্সন পিটিসনগী হিয়রিং পাঙথোক্লবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লেপখ্রে।

লৈখিদ্রবা এল ইবোমচা (৭০), অপোকপা লৈখিদ্রবা এল তোম্বা,

কৈশামথোং লাইশোম লৈরক্না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরম্বা ইলেক্সন পিটিসন অদুগী নম্বর-১১ ওফ ২০১৭নি। পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংগী মনুংদা এম এল এ, এল জয়ন্তকুমার (৫৭), অপোকপা লৈখিদ্রবা এল ভগ্যচন্দ্র, পিশুমথোং ওইনাম লৈকায়না রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১ ওইরগা অতোপ্পা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুদা তোঙান-তোঙানবা পার্টিশিংগী মহুৎ শীন্দুনা মীরেপ ওইখিবা আর কে শিবচন্দ্র, পোৎশংবম ধনকুমার (৬৩), হৈস্নাম লোকেশ্বর (৫৪), খাবা পাওনম (৩৫), য়ুম্নাম রোমোলা (৪৯) অমসুং চঙাময়ুম গনেসলাল (৫৪)নি।

ইলেক্সন পিটিসন অসিদা পিটিস্নরনা ৱাকৎলিবনা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর- ১ ওইরিবা রিটর্ন কেন্দিদেটনা মীখল অদুদা মীরেপ ওইখিবা মতমদা তঙাইফদনা মহাক্কী নোমিনেসন পেপর

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

হুরানবা অমা ফারে, গাড়ী ফংলে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) :

লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী ও সীনা লুচিংবা ৱিমেন পুলিস পর্সনেলশিং য়াওবা টিম অমনা অঞ্জুমানগা লোয়ননা লিলোং অতৌখোংদগী গাড়ী হুরানবা মীওই অমনা হুরাল্লকপা গাড়ী অমা ময়ুমদা লোৎশিন্দুনা থম্লে হায়বা পাউদগী চঙশিন্দুনা থিবা হুন্থগী থবক চথরক্লবদা মহাক্না লুপা লিশিং ৭০গা কোন্নবা হুরাল্লকপা গাড়ীগা কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখ্রে।

ফাগৎলবা মীওই অদুগী মমিং সিঙ্গাময়ুম ফরিদ খান (৩১), অপোকপা অব্দুল সলাম কৌই হায়রি। মহাক্না হুরাল্লকপা গাড়ী অদু রেজিষ্ট্রেসন নম্বর হাপত্রিবা অঙৌবা মচুগী হোন্দা এক্টিভানি। লুপা লিশিং ৭০ অদুনা গাড়ী অসিগী টুল বোক্সতা

...মখা লামায় ৩ কলম ১

মরোল থোকপা লাই/ꯃꯔꯣꯜ ꯊꯣꯛꯄ ꯂꯥꯏ



পোজিটিভ মশীং হেনগৎলক্তুনা ৩৬২ থেংনরে, শিবগী মশীংসু ৭ তা হেনগৎলে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) :

কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভকী চৈথেং মায়োক্নরক্লিবা মণিপুরদসু মমাঙ থাগী ২৭ (এপ্রিল ২৭, ২০২১)দগীনা ঙসি নুমীৎ ৭নি ফাওবগী মনুংদা পোজিটিভ ওইবগী মশীং অমুক হন্থরকপা য়াওদুনা অকা-অকুম লৈরক্লবসু ঙসি তরেৎনি শুবা নুমীৎতদি খঙহেন হেনগৎলক্তুনা পোজিটিভ কেস ৩৬২ থেংনখিবগা লোয়ননা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরদুনা শিহনবা মীগী মশীংসু ৭তা হেনগৎলকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী অপূনবা মীওই ৩৬২ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে হায়রি। হায়রিবা পোজিটিভ কেসশিং অসি থেংনখিবা টেষ্টিং সেন্টরশিংনা জেনিমসতা ৬৮, রিমসতা ২৪, ইম্ফাল ইষ্ট-৮, ইম্ফাল ৱেষ্ট-১, রাজ মেদিসিটি-১২, স্বিস-১, সিয়েলমেট হোস্পিটাল-২, শিজ হোস্পিটাল-৪০, জীবন হোস্পিটাল-৮, এদভান্স হোস্পিটাল-৪, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্স-১০৩, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্স ৩৫, বিষ্ণুপুর-১১, ককচিং-১৬, উখ্রুল-১, চুড়াচান্দপুর-১০, চান্দেল-৪, তমেংলোং-২, কাংপোকপী-৮, সেনাপতি-২, নোনে-১ অমসুং কামজোংদা ১নি হায়রি।

অদুগা অপূনবা পোজিটিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা য়াওরিবা মীওইশিংনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১২২, ইম্ফাল ৱেষ্ট-১৪৬, থৌবাল-১৪, বিষ্ণুপুর-২২, ককচিং-২৩, উখ্রুল-১, চুড়াচান্দপুর-১৪, চান্দেল-৫, তমেংলোং-২, সেনাপতি-২, কাংপোকপী-৮, নোনে-২ অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি হায়রি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী কন্টেক্ট ট্রেসিংগী য়াওনা কন্টেনমেন্টনচিংবগী লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলে হায়রি।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অসিনা হায়বদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা শিহনখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৭নি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি থৌবালদগী মশাগী চহী ৪৫ রোম শুরবী নুপী ১, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মশাগী চহী ৬৪ শুরবী নুপী ১, মশাগী চহী ৫০ শুরবা নুপা ১ অমসুং মশাগী চহী ৬০ শুরবী নুপী ১নি। ইম্ফাল ইষ্টতগী মশাগী চহী ৫৯ শুরবা নুপা ১, ককচিংদগী সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী মশাগী চহী ৪৩ শুরবা নুপা পর্সনেল ১, থৌবালদগী মশাগী চহী ৫৪ শুরবা নুপা ১নি হায়রি। মীওইশিং অসি লৈখিদবা লায়েংশঙশিংনা শিজ হোস্পিটালদা ৩, রাজ মেদিসিটিদা ১ অমসুং রিমসতা ৩নি। লৈখিদবা মীওই ৭ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ৪২২ শুখ্রে।

অমরোমদা, ঙসি দিসচার্জ তৌখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ১০৭নি। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌরবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী ১০, হোম আইসোলেসন তৌদুনা লাকপা মীওইশিংগী মনুংদগী ৭৫, রিমসতগী ১৬,

...মখা লামায় ৩ কলম ২

ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৪.৯৮ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৩.৪৮ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৫.২৫
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

HL Poll

Q: Positive case masing amasung sibagi masing leptana hengatlaklibasi home isolation toubadagi oirakfam thoke khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Covid-19gi second wave maiyoknanaba leingakna vaccine amasung oxygen marang kaina thourang toubipham thoktabra?

Yes 100% No 0%

অস! লোইরেহে!

- ঐখোয় তাইঙোনা নারিবসিবু মাগী কোভিদ হায়দু ওইরজাৎলা।

- [illegible]



- নৎতে ইবুংঙো মপান লমগী ভোট হায়দোকপা তারুবদগীনি।

- [illegible]

কোভিদ ভেক্সিন ২শুবা দোজ কাপখ্রবা মীওই ১ পোজিটিভ ওইরে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা থেংনবগুম মণিপুরদসু কোভিদকী ভেক্সিন অনীশুবা দোজ কাপখ্রবা মীওই অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে।

কোভিসিল্ড ভেক্সিন অনীশুবা দোজ কাপখ্রবা মতুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওই অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শিংজমৈদগী মশাগী চহী ৪০ রোম শুরবা নুপানি। মহাক হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৬তা কোভিসিল্ড ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপ্লবা মতুং অনীশুবা দোজনা এপ্রিল ২০দা কাপখিবনি। মহাক হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা পুক নাই হায়দুনা লায়েংনবগীদমক তঙাইফদনা মথৌ তাবদগী ইবোয়াইমা হোস্পিটালদা হৌখিবা এপ্রিল ৩০দা আর এ টি টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইখিবনি। অদুগা মে ২দা অমুক রাজ মেদিসিটিদা লায়েং চথনবগীদমক টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। অদুমকপু নুমিৎ অসিমক্তদা মহাক্না অমুক হন্না ইবোয়াইমা হোস্পিটালদা আর এ টি টেষ্ট তৌবদদি নেগেটিভ ওইনা রিপোর্ট লাকখিবনি হায়রি।

কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রবসু পোজিটিভ ওইরবা মীওই অসি হৌজিক হৌজিক হোম আইসোলেসন তৌদুনা লায়েং চথরি হায়রি।

কোর্টশিংদা ঈ-পেমেন্ট সিষ্টম চৎনহন্নবা হায় কোর্টতা ৱাকৎলক্লে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) :

মণিপুর কোর্ট ফিজ (মণিপুর এমেন্দমেন্ট) ওর্দিনান্স, ২০২০ লাউথোকপগা লোয়ননা মসিবু মে ২১, ২০২০দা মণিপুর গেজেটতা ফাওবা ফোঙদ্রবসু হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী কোর্টশিংদা ঈ-পেমেন্ট ওফ কোর্ট ফিগী সিষ্টম চৎনহন্দ্রিবা অসি অথুবা মতমদা চৎনহন্নবা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা দিরেক্সন পীবীয় হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলক্লে।

भारतीय गैर न्यायिक
एक सौ रुपये
Rs. 100
रु. 100
ONE HUNDRED RUPEES
भारत INDIA
INDIA NON JUDICIAL

লিগেল ফ্রেটর্নিটিগী মনুংদা মরুওইবা শরুক অমা ওইরিবা এদভোকেটশিং অমসুং লিটিগেন্টশিংনা তঙাইফদনা শীজিন্নরক্লিবা নন-জুদিসল ষ্টাম্প অমসুং কোর্ট ফি ষ্টাম্পশিংগী ফংফম থোকপা তোঙান-তোঙানবা দিনোমিনেসনশিংগী ষ্টাম্পশিং য়াম্না তোয়না ফংলক্তবগী অৱাবা মায়োক্নরকপদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরক্লিবা ৱাকৎ অসি পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) ওইনা ফাইল তৌরকখিবনি।

পি আই এল অসিগী পিটিস্নরনা লৌরেম্বম রেবিকা চনু (৪৬), অপোকপা এলাংবম লোকেশ্বর, খুরাই থোঙাম লৈকায়নি। পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরি (লো) অমসুং দিরেক্টর (ত্রেজরিজ) অমসুং একাউন্টসনি। পিটিস্নরনা কোর্টতা মহাক্কী পি আই এল অসি কনষ্ট্রিটুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ২২৬না পীবা প্রোভিজনশিংগী মখাদা ফাইল তৌরক্তুনা হায়, নন-জুদিসল ষ্টাম্পস অমসুং কোর্ট ফি ষ্টাম্পশিংগী মহুৎ শীনবা য়াবা ঈ-ষ্টাম্পশিং মণিপুরদসু হৌদোক্তুনা চৎনহনবীয়ু। মরমদি হায়রিবা ষ্টাম্প মখল অনী অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা ষ্টেট অসিগী মফম শীনবা থুন্না লৈঙাক্কী ওথোরাইজ ষ্টাম্প ভেন্দরশিংগী খুথাংদগী মীয়াম্না ফংদুনা লিশাং-শিংনা শীজিন্নদুনা লাকপনি। হায়রিবা ষ্টাম্প মখল অনী অসি মণিপুর লৈঙাক্না মতম-মতমগী মতুংইন্না গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী করেন্সি নোট প্রেসতা ওর্দর তৌদুনা নম্লগা শীজিন্নরকখিবনি।

অদুবু হৌজিক্তি মসিবু নমহল্লিবা করেন্সি নোট প্রিন্টিং প্রেসতগী মণিপুর লৈঙাক্না মতম চানা লৌশিল্লক্তবদগী হায়রিবা ষ্টাম্প মখল অনী অসি ফংদবগী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

হায় কোর্টনা ম্যান্মার নেসনল ৭তা অয়াবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) :

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস অমসুং জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অমদা চৎলিবা কুমজা ২০২১গী ফেব্রুৱারীদা ম্যান্মারদা চথখিবা লান্মীগী কুনা মরম ওইদুনা ইল্লিগেল ওইনা লৈবাক অসিদা লাঞ্জেল্লক্তুনা চঙজফম লৌরখিবা চহী ৫দগীনা ১০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং ৩ য়াওনা মীওই ৭পু মখোয়না য়ুনাইটেদ নেসন্স হায় কম্মিস্নর ফোর রিফ্যুজিজ (য়ু এন ঐচ সী আর) দগী রিফ্যুজিনি হায়বগী অয়াবা লৌনবগীদমক দেল্লী তম্না চৎপদা অয়াবা পীখ্রে।

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

পোপী পাম্বীশিং থাজিন্দুনা মাঙহল্লবা চীংগী লমশিং রি-কন্সত্রক্ট তৌগবনি : ডা. মালেম নিংথৌজা

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) :

মণিপুরগী লৈজরক্লিবা চীংগী শরুকশিংগী উমংশিং কন্দুনা মফমশিং অসিগী ইনভাইরনমেন্ট কন্দুনা লাক্লিঙৈগী চৈরক্তা অসিগুম্বা চীংগী অয়াম্বা মফমশিংদা উমংশিং কোকথোরক্তুনা পোপী পাম্বীশিং পাক্তক্লনা থাজিন্নরক্তুনা মাঙ-তাকহল্লক্লিবশিং অসিগী মায়োক্তা অমুক হন্না য়োকখৎনবা রি-কন্সত্রক্সন তৌগদবনি।

ৱাফম অসি হৌজিক দেল্লীদা লৈরিবা ইন্দিপেন্দেন্ট রিছার্সর ডা. মালেম নিংথৌজানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবনি। মহাক্না হায়, পোপী পাম্বীশিং থাবা য়ানবগীদমক্তা চীংগী মফমশিংদা লৈবা উমংশিং কোকথোকপনা মণিপুরগী উমংশিং তুমহন্নবগী অচৌবা মরম অমা ওইরক্লে। থৌওং অসিদগী মহৌশাগী ওইবা ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভমদসু কায়হল্লকপগা লোয়ননা ষ্টেটসিগী মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং পীরক্তুনা অৱাবা মায়োক্নহল্লে। মসিগী চপ চাবা খুদম অমখক্তং পনবা তারবদা হৌজিক ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না হিংবদা তঙাইফদনা চঙলিবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরক্লিবসিনি। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্না হায়রিবা থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা পন্থদনা লৌখৎফম থোকপা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

BOOK NOW
BEST & AFFORDABLE CAB SERVICES IN MANIPUR
MANIPUR CAB SERVICE 24X7
Power by: IMPHAL FINANCE
Call the Cab at your Doorstep
for a hassle free service to access your needs.
Also Available
- Tour Packages
- Picnic Packages
- Wedding Packages
Service Timing : 7 am to 7 pm
For Booking Call Now :
8258070746 / 9402267525
6909608909 / 6909967574
Office Address: M.G. Avenue, MDU Building, 2nd Floor
HL-B/6949/27/4-25/5